Prepp
Your Personal Exams Guide

## PART-IV

## LANGUAGE-I

## MANIPURI

| কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-I** লৌরবদি **পার্ট-IV** গী ৱাহং **(91-120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি। |
|---|

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাওখুম পীয়ু - (91-99) ঃ**

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা সনা ফম্বাল কাবসি অনীরকনি। অহানবগীসিনা ইং কুমজা 1759 দগী হৌরগা 1761 ফাউবনি (খরনা 62 শু হায়)। ফম্বাল কাবা নুমিৎ অসিমক শজিবুগী তরেৎনি পানবা সগোলসেন নুমিৎনি ; অখাম চনুগা ফম্বাল তোংমিন্নবনি। অনীরকশুবসিনা ইং কুমজা 1763 দগী হৌরগা 1798 ফাউবনি (মরকসিদা লাঞ্জেন লানগাই লৈরবসু)। লীশাং শিংনা লাকপা পুৱারীদদি অৱাবু মণিপুরনা লাকচদুনতা লাকপনি। অৱা নিংথৌ আলোংপায়ানা লৈবাক মচা মচাশিংবু খোপচিন্দুনা সোভারিন অমগী মখাদা থম্বা ঙমখিবদগী মাগী শক্তি খঙহেন হেনগৎখিবনি। ভাগ্যচন্দ্রনা মায়থীখিবসু মসিনা মরম অমনি; অৱা পাবা মতমসিদা ওইথোক্তে। ওইথোকত্রগসু খঙনা খঙনা অৱাগা চায়নরকখি। ফিভমনা চারক্তবদে খোঙফম ফুকপনি ; ফুকপা তাবনি। লৈবাক নিংথৌ অমবু হেক্তা শিবা য়াব্রা ?

মতমদুদা ব্রহ্মা/অৱা লৈবাক্কী পাক চাউবসি মণিপুরদগী শরুক 34/35 মুক হেল্লি। মীশিংগী মতাংদসু অমুক চাংদম্নবা য়াবা নৎতে। অদুনা নিংথেমনা অৱা পাবা হায়বসি নাশিখোংগা সমুদ্রগা চাংদম্নবগুম্বনি। মায়থীবা মসানা তাবনি। হেন্না লাইবক থীরিবদি ফ্রেন্স অমদি পর্তুগীজনা খুৎলাইগী মতেং পাংশিল্লকপা অসিনি। অৱানা থাংগী মহুৎতা অনৌবা খুৎলাই ওইনা নোংমৈ অমদি বোম তোপ ফংখিবা অসিমক মণিপুরগী ওইনদি লাইবক থীবনি। মতমসিদদি অরাম্বাই তেন্দোং য়ানবা সগোল শায়াং তোংবা মৈতে লান্মীশিংগীসু ৱাখল খনথনবগী মতম ওই। ফ্রেন্সনা অৱাদা খুৎলাই সপ্লাই তৌবগী অচৌবা মরমদি লানগী পরীং য়াৎপনি। পান্দম অমগী মখাদা পাঙ্গল্লবা পোর্তুগীজনা খা ভারতরোমদগী কলকতা ফাউরগা বর্ম্মা তমনা চঙশিনখি। নাকল অমরোমদা পৃথিবী জয় তৌগনি হায়না খল্লিবা ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্পনিসু মঙক ৱাংনা থাঙ্গৎলক্লি।

অসুন্না বৃটিসকা ফ্রান্সকা শামুন ঙামুন্নরকপা অসিনা চাউরবা শক্তিগী লমজেন অমা এসিয়া মহাদেশতা নৎতনা পৃথিবী পুম্বা চৎথবা হৌরকই। তাঙ্ককসিদনি অৱা নিংথৌগী মখুৎতা নোংমৈ লাকখিবা। নত্রগদি সগোল শয়াং তোংবা মৈতে লান্মীগী মমাঙদা মঙক লোৎপা তারম্বনি। খুনিংথেক অসিদগীনি খুৎসু খুৎলাই ফংলবা অৱানা অচাউরম অমগা লোয়ননা পীকখ্রবা লমদম মণিপুরদা লানগী মমায় ওনশিল্লকপসি ; হৌখ্রবা ইতিহাসকী থৌদোক পুন্নমক্কী লমন খুল্লগে মতাগুম।

**91.** হৌখ্রবা ইতিহাসকী থৌদোক পুন্নমক লমন খুমগে খল্লিবসি করি লৈবাকনো ?

(1) অৱানি। (2) ফ্রেন্সনি। (3) পর্তুগিজনি। (4) ইংলিশশিংনি।

**92.** রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা অহানবা ফম্বাল কাবসি -

(1) ইং কুমজা 1759 দগী হৌরগা 1761 ফাওবনি।

(2) ইং কুমজা 1859 দগী হৌরগা 1861 ফাওবনি।

(3) ইং কুমজা 1758 দগী হৌরগা 1771 ফাওবনি।

(4) ইং কুমজা 1729 দগী হৌরগা 1761 ফাওবনি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**93.** পুৰারীদা কনানা অৰাবু লাকচদুনা লাকপগে ?

(1) অহোমনা। (2) তেখাওনা। (3) মণিপুরনা। (4) খাগীনা।

**94.** লান্দা মণিপুরগী ওইনা লাইবক থিরিবসি করিগীনো ?

(1) নোংমৈ অমসুং লানগী অতৈ মতেং ময়াম ফংবগীনি ।

(2) নোংমৈ অমদি মিসাইলনা অনৌবা খুৎলাই ওইনা ফংবসিনি।

(3) নোংমৈ অমদি থাং-তা অফবা ময়াম ফংবসিনি।

(4) নোংমৈ অমদি বোম তোপনা অনৌবা খুৎলাই ওইনা ফংবসিনি।

**95.** ওইথোকত্রবসু খঙনা খঙনা হায়বদি ৰাহৈ পরেংশিদা য়াওরিবা খঙনা খঙনা হায়বসি -

(1) এদজেক্তিবনি। (2) এদভার্বনি। (3) ভার্বনি। (4) নাউননি।

**96.** করি থাগী করি নুমিত্তা ফম্বাল তোংখিবগে ?

(1) শজিবুগী তরুকনি পানবা শগোলশেল নুমিত্তনি।

(2) শজিবুগী তরেৎনি পানবা শগোলশেল নুমিত্তনি।

(3) শজিবুগী তরানি পানবা শগোলশেল নুমিৎতনি।

(4) শজিবুগী তরেৎনি পানবা য়ুমজকৈশ নুমিৎতনি।

**97.** কনা কনানা অৰাদা মতেং পাংখিবগে ?

(1) ফ্রেন্স অমসুং পর্তুগীজনা মতেং পাংখি। (2) ফ্রেন্স অমসুং স্পেননা মতেং পাংখি।

(3) ফ্রেন্স অমসুং চাইনানা মতেং পাংখি। (4) ফ্রেন্স অমসুং জপাননা মতেং পাংখি।

**98.** ভাগ্যচন্দ্রনা মাইথিখিবা মরম অমদি করিনো ?

(1) আলোংপায়ানা লৈবাক মচা-মচা খোপচিন্দুনা শক্তি খংহেন হেনগৎখিবদগীনি।

(2) অৰাগী কাংবুনা চাইনাগী মতেং লৌবদগীনি।

(3) আলোংপায়ানা অহোমগী মতেং লৌরগা শক্তি হেনগৎখিবদগীনি।

(4) অৰাদা চাইনানা লান তানবা হায়বদগীনি।

**99.** আলোংপায়ানা করম্না শক্তি হেনগৎখিবগে ?

(1) লৈবাক অচৌবশিংগী মতেংনা শক্তি হেনগৎখিবনি।

(2) লৈবাক অচৌবগী মখাদা লৈগে য়ানবদগী শক্তি হেনগৎখিবনি।

(3) লৈবাক মচা তানা সাসন পায়বদগীনি।

(4) লৈবাক মচাশিংবু খোপচিন্দুনা সোভারিন অমগী মখাদা থমখিবদগীনি।

**মখাদা পীরিবা শৈরেং অসি মুন্না পারগা মখাদা হংলিবা ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু - ৱাহং (100-105) ঃ**

পোক্লকখি অথৌবদি অথৌবা ওইনা
শেমখিদে কনানসু মখোয়বু অথৌবা ওইনা
অদুননি লাওখিবা মতীং থোক্না
নোংমদা পোকপা মচানা
নিনি শিবা হৌনদে।
নখোয়না উরিবনা নীংতম্বা
নতুংদা ইন্নরক্লিবনা অশিবা
চৎখি নীংতম্বগী লম্বীদা নখোয়না
চায়র চায়রদুনা লৈবাক নিংবগী ঈখেঙ
অদুননি নীংশিংনহৌরিবা অহিংবা অমগুম।

**100.** নোংমদা পোকপা মীওইবনা কয়ারক শিবা হৌনদবগে ?

(1) অমুক্তং শিবা হৌনদে।
(2) হুমনি শিবা হৌনদে।
(3) কয়ারক শিবা হৌনদে।
(4) নিনি শিবা হৌনদে।

**101.** “চায়র চায়রদুনা লৈবাক নীংবগী ঈখেঙ” - হায়রিবসিনা করিবু ফোঙদোকপগে -

(1) লৈবাক্কীদমক হোৎনখিবা।
(2) লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকপা।
(3) ঈ চায় চায়দুনা চৎখিবা।
(4) করিমত্তা হেক তৌদবা।

**102.** অথৌবা ওইনবগীদমক শেম্বী শাবিরকখিবরা ?

(1) শেম্বীরকখি।
(2) শেম্বীরকখিদে।
(3) লোয়নরকখি।
(4) য়াওরকখি।

**103.** লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকখিবা মখোয়বু করম্না নীংশিংনহৌবগে ?

(1) অহিংবা মী অমগুম।
(2) নীংশিং পালন পাঙথোক্লদুনা।
(3) ফোতোদা লৈ খুজোক খুজোক কৎতুনা।
(4) হন্না ফাওবা য়েংনদে।

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

**104.** পীরিবা শৈরেং অসিদা কবিনা ফোঙদোকপা পামলিবসি -

(1) ইমা লৈবাকনা থৱায়দগী হেল্লি।

(2) লৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপবু অথৌবা কৌই।

(3) লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকখিবা মখোয়দি অহিংবা কৌই।

(4) নোংমদা পোকপা মচানা নিনি শিবা হৌনদে।

**105.** অথৌবনা করম্না পোকলকখি।

(1) অথৌবা ওইনা পোকলকখি। (2) মীকিথি ওইনা পোকলকখি।

(3) অশিবা ওইবা পোকলকখি। (4) পাংদবা ওইনা পোকলকখি।

**106.** কোঝিকোদিদা কম্মুনিতি অমনা ঙাংবা মলায়ালমসি মফমদুদা ঙাংবা মলায়ালমগা খরা খেন্নৈ। কম্মুনিতিসিনা ঙাংলিবা মলায়ালমসি করি হায়না খংনবগে ?

(1) মলায়ালমগী মখল অনি নি। (2) মলায়ালমগী রিজনেল দাইলেকনি।

(3) মলায়ালমগী সোসিয়েল দাইলেকনি। (4) মখোয় লোন তোঙানবনি।

**107.** মখাদা পিরিবা তম্বগী মওংসি গ্রুপ খরগী মহৈরোইশিংদা পি। মসিগী ৱাহৈ তম্বগী এক্তিভিতিসি করি হায়না খংনবগে হায়য়ু। মখাগীসিদগী ৱাহৈশিং, ফ্রেজশিং মরি লৈনবদু পুথোকউ।

ফেমলি রিলেসনসিপ ফিলিং

(1) থিমাতিক ভোকেবুলারিনি। (2) ৱার্দ ক্লস্তরনি।

(3) ক্লস্তর ভোকেবুলারিনি। (4) ৱার্দ ৱেবনি।

**108.** ঐখোয়না নুমীৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা লোন সি

(1) কোগনিতিভ একাদেমিক লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েন্সিনি (CALP)।

(2) বেসিক ইন্তরপরসনেল কম্যুনিকেসন স্কীল নি (BICS)।

(3) কম্যুনিকেতিভ লেঙ্গ্যাজ স্কীলনি।

(4) ইন্তরপরসনেল লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।

**109.** সেকেন্দরি স্কুলগী ওজা অমনা টেক্স/ৱারি মচা অমা পি/অদুগা শক্তি অমসুং অচুম্বগী মিৎয়েংদগী য়েংলগা টেক্সতুগী ৱাহন্থোক অমসুং ৱাখল্লোন খন্নৌ হায়। ওজানা মহৈরোইশিংদুদা হেন্না খংহনিংলিবসি করিনো ?

(1) ক্রিতিকেল লিতরেসি স্কীলনি। (2) ক্রিতিকেল পেদাগোজিনি।

(3) ক্রিতিকেল লেঙ্গ্যাজ দেভলপমেন্তনি। (4) হাইয়র ওরদর লেঙ্গ্যাজ স্কীলনি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**110.** গ্রামার তম্বীবা অমসুং তম্বগী মরুওইবসি -

(1) গ্রামাতিকেল আইতেম করম হায়না তৌবগে খংনবনি।

(2) গ্রামাতিকেল আইতেমগী লৌশিং খংনবনি।

(3) গ্রামাতিকেল আইতেমশিংগী পথাপ খংনবনি।

(4) লোন অমসুং নাৎ খংনবনি।

**111.** তরেৎশুবা ক্লাসকী ওজানা জুরা জুরা ওইবগা তৌগদবা এক্তিভিতি অমা ৱাহৈপরেং তরা য়াওবা ৱারি অমা পি। জুরাগী মহৈরোই অমনা অহান্বা ৱাহৈ পরেংদু পাই অদুগা অতোপ্পা অমদুনা ৱাহৈ পরেংদু ই। অদুদগী জুরাগী অনিশুবা মহৈরোইনা অনিশুবা ৱাহৈ পরেং পাই অদুগা অহান্বা মহৈরোইদুনা অনিশুবা ৱাহৈ পরেংদু ই। অসুম হায়না তৌদুনা মখোয়না ৱারিদু লোইশিনলি। মতুংদা মখোয়না ইরিবশিংদু ওরিজিনেল টেক্সকা চাংদমনৈ। মসিগী এক্তিভিতি করি কৌবগে ?

(1) অমগা অমগা ইমিন্নবনি।

(2) অমগা-অমগা তামীন্নবনি।

(3) ৱাহৈ পরেং দিকতেসননি।

(4) অমগা অমগা দিকতেসন তৌনবনি।

**112.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা অশেংবা সাইন লেঙ্গ্যাজ নত্তবগে ?

(1) সাইন লোনগী মখল য়াম্না লৈ।

(2) সাইন লোনসি মহৌশাগী লোননি।

(3) সাইনা লোনগী গ্রামার লৈত্তে।

(4) সাইন লোনগী গ্রামার লৈ।

**113.** থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(1) মমালোন/য়ুমগী লোন/রিজনদুগী লোননা অহান্বা লোন

(2) ইংলিশ/হিন্দি/মফমদুগী লোননা অহান্বা লোন

(3) মমালোন/য়ুমগীলোন/হিন্দিনা অহান্বা লোন

(4) মমালোন/য়ুমগীলোন/ইংলিশনা অহান্বা লোন

**114.** অৱাৎ-তপা মেনখৎপগী তম্বীবসি -

(1) মহৈরোইশিং লোন তম্বগী অৱাৎপা লৈবশিংদা পূক্নিং চিংশিনবনি।

(2) লোন তম্নবগীদমক ওজাশিংনা তম্বীবগী মওং মহৈরোই খরগী হোংদোকপনি।

(3) মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা লোন খংনবগীদমক তম্বীবা মওং হোংদোকপনি।

(4) লোনগী পেপরদা স্কোর হেনগৎনবা মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা হোৎন্নবনি।

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

**115.** তম্বীবগী মেথদ অমদা ওজা অমগা মহৈরোই মরিগা পুন্না তম্মীন্নবা রোল মখল কয়াগী শেম্মী/ টেক্সকী মচাকশিংদা ৱারি-ৱাতাই শান্নদুনা পাবা হৈবা হেনগৎহনলি। মসিগী মেথদসি -

(1) গ্রামার ত্রান্সলেসন মেথদনি।  (2) রেসিপ্রোকেল টিচিং নি।

(3) স্ত্রকচরেল এপ্রোচনি।  (4) মোদেল রিদিংনি।

**116.** লোনগী ওজা অমা ইংলিশ লোন্দা ৱারি-অমা লি অদুগা পুন্না গ্রুপতা মখোয়-মখোয়না খংবা লোন্দুদা লিনবা হায়। মথংদা মখোয় ময়াম্না খংবা ক্লাসকী লোন্দা ৱারিদু অমুক লিনবা হায়। মসিগী মতম্বীসি

(1) ত্রান্সলেঙ্গ্যাজিংনি।  (2) মল্‌তিলিঙ্গ্যাল পোলিসিনি।

(3) মল্‌তিলিঙ্গ্যাল তম্বীবগী মওংনি।  (4) লোন তম্বনি।

**117.** মহৈরোই অমনা খবরদা অককনবা মচাক অমগী খবর পাই। মসিগী পাবগী মওংসি -

(1) অফ-ফত্ত য়েংনবা পাবনি।  (2) হায়ফেৎ য়েংবনি।

(3) চাওরাকপা য়েংবনি।  (4) লাইরিক পাবগী স্কীলনি।

**118.** ইন্তরলিঙ্গ্যাল আইদেন্তিফিকেসসি করিনো ?

(1) মমালোন্দা অমসুং তার্গেৎ লোন্দা মান্নে হায়না মহৈরোইশিংনা খনবদুনি।

(2) মমালোন্দা অমসুং তার্গেৎ লোন্দা মান্নদে হায়না মহৈরোইশিংনা খনবদুনি।

(3) মমালোন্না অনিশুবা লোন তম্বদা তপনবা পী হায়না মহৈরোইশিংনা খনবদুনি।

(4) লোন খেন্নবা তম্বনা অতৈগী হৈশিংবা খেন্নবা লাকই হায়না মহৈরোইশিংনা খনবদুনি।

**119.** মঙাশুবা ক্লাসতা তম্বা শ্রেয়ানা পঞ্জাবকী জলন্দরদগী তামিলনাদুগী মদুরাইদা মহাক্কী মপানা থবক হোংবগী চৎলি। মহাক পঞ্জাবী মমা লোন ওইনা খংই অদুগা ইংলিশনা অনিশুবা লোন ওইনা স্কুলদগী খংই। মহাক্কী অকোইবদগী মহাক্না তামিল ঙাংবা অমসুং পাবা ঙমই। মহাক্না খংলিবা লোনশিংসি য়েংলগা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(1) মহাক্কী পঞ্জাবী অমসুং তামিলসি লেঙ্গ্যাজ এক্যুজিসনগী মখাদা অদুগা ইংলিশনা লেঙ্গ্যাজ লরনিংগী মখাদা লাকই।

(2) মহাক্কী তামিলসি লেঙ্গ্যাজ এক্যুজিসননি অদুগা ইংলিশ অমসুং পঞ্জাবীনা লেঙ্গ্যাজ লরনিংনি।

(3) পঞ্জাবী, তামিল অমসুং ইংলিশ অহুম্মক লেঙ্গ্যাজ লরনিংনি।

(4) মহাক্কী ইংলিশসি লেঙ্গ্যাজ এক্যুজিসনগী মখাদা লাকই অদুগা পঞ্জাবী অমদি তামিলনা লেঙ্গ্যাজ লরনিং মখাদা লাকই।

**120.** পাকশন্নাপাবগী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী করম্বা নত্তবগে ?

(1) ফজে হায়বা খংনবগী পাবা  (2) মসি ওইথোকপা য়াই খংনবা পাবা

(3) গ্রামার তমনবা পাবা  (4) নুংঙাইবগী পাবা

www.prepp.in

# PART-V

## LANGUAGE-II

## MANIPURI

কেন্দিদেতশিংনা **Manipuri Language-II** লৌরবদি **পার্ট-V** গী ৱাহং **(121-150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

**পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা মখাগী ৱাহংশিং অসিগী চান্নবা পাওখুম পীয়ু। ৱাহং (121-128) ঃ**

ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মসু ইবুঙো মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তি কে.সি.এস. আই. না অনীরক শুবা ওইনা নিংথৌ ওইরকপা মতমসি (খৃঃ 1850-1886) লৈপাক্কী অহোংবা লাকপগা লোয়ননা সোসেল সিস্তেমদসু হেন্না মরা চেৎশিল্লকপা মতম ওই। চেৎচবগী ৱাতনি; উরিবা চাউখৎ থৌরাং অমদি য়ুমলৈ কৈরৈগী মতাংদদি মপুং ওইনা চাউখৎলিবসি কোনুং মনুং অমদি মাগী অকোয়বগী শরুক খরসিতনি। খৃঃ 1870 গী মতমসিদা সদর ষ্টেশন ওইনা লৈরিবা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা মীশিংসি চাউরাকনা 35,000 মুকনি হায়রি। নিংথৌ অমদি লৈবাক্কী য়াইতোং খমদোংবা ঙন্নমক কেপিটলগী ময়োন্দা লৈ। মমায় নোংপোক ওন্দুনা লৈবা য়ূমশিংসি ৱানা শাবা অদুগা উনা শাবসু য়াউরি। উনা শাবা হায়রিবসি য়ুম্বী অমদি অতৈ ফক্লাংগী শরুক খরদনি। নিংথৌগা থংননা নত্রগা নক্লনা লৈবা অঙম অথৌগী য়ূম খরদি ৱাংনা অমসুং চাউনা শাই। চেক চন্দুনা শাবদি মশীং য়ান্না লীকই। মরু ওইনা নিংথৌ কোনুং গারোৎ অমদি নিংথেমগী য়ূমদি চেক চন্দুনা শাবনি। মসি নৎতবদা লৈবাকসিদা লৈরিবা মীচম প্রজাগী য়ূমশিংদি ৱানা মখোঙ ওইরগা পীকনা লৈবাক্লা ৱাই তৈরগা শাবনি, চরোৎ অমদি চরুখোক্লা মথক কুপ্পবা ঙাকনি। মসি মীৎয়েং অমদগী পঞ্জবনি। মসি নৎতবদা অতৈ লাই তিনগী ফুরা কয়াসু অঙনবা মতমদগী মফম মফমদা লৈতবদি নৎতে। উরিবসিগী চহী 100 খর হেনবগী মমাঙগী মণিপুরগী ফিভম করম তৌরম্বা য়াই ? মদু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতম ওইগদবনি। মসি মরুওইনা য়ুমলৈ কৈরৈদা মীৎয়েং থমজবনি। অৱাগী চৈথেংনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী কোনুং মহাকথক্তা কয়ারক হোংবনিনা মাগী য়ুমলৈ কৈরৈগী ফিভম কয়া ফরমগদবা মান্দে। অহোমদগী লাকলবা মতুং নত্রগা লৈশা তারবা পুন্সি মরেল অমা মায়োক্লরবা মতুংদদি লৈফম চাফম মতমগা চুননা শেমগৎলম্বা য়াই।

**121.** য়ূম খরদি ৱাংনা অমসুং চাওনা শাই। মসি -

(1) এডভার্ব অমনি।

(2) এডভার্ব অনিনি।

(3) এডভার্ব অহুমনি।

(4) এডভার্ব মরীনি।

**122.** ৱানা শাবা অমসুং উনা শাবা য়ুমশিংসিং মমাই কদোমদা ওনবগে ?

(1) মমাই নোংপোক ওনবা য়ুমশিংনি।

(2) মমাই মখা ওনবা য়ুমশিংনি।

(3) মমাই নোংচুপ ওনবা য়ুমশিংনি।

(4) মমাই অৱাং ওনবা য়ুমশিংনি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**123.** চরোৎ অমসুং চরুখোক্লা কুপ্পা য়ুমশিংশি কনাগীনো ?

(1) অঙম অথৌ খনবা মীশিংগী য়ুমনি। (2) অথাপ্পদগী লাকপা মীশিংগী য়ুমনি।

(3) মীচম প্রজাগী য়ুমশিংনি। (4) মরাল লৈবা মীশিংগী য়ুমশিংনি।

**124.** চন্দ্রকৃতিনা অনিরকশুবা ওইনা পানবসিদা করম্বা মফমশিংদা য়ুমলৈ কৈরৈ চাওখৎপগে ?

(1) মতমদুগী ইম্ফালগী শরুকশিং লৌইন্নক চাৎখৎলি।

(2) মপুং ওইনা কোনুং অমসুং মাগী অকোইবগী শরুক শিংনি।

(3) কোনুংদগী থাপতোকখ্রবা মফমশিংদু চাওখৎলি।

(4) মণিপুরগী অয়াম্বা শরুকশিং চাওখৎলি।

**125.** কেপিটেল (কোনুং) ময়াদা কনা কনা লৈবগে ?

(1) মীপুম তিংনা লৈ।

(2) ইনাকখুনবা মী খুদিংমক লৈ।

(3) নিংথৌ অমদি লৈবাক্কী য়াইতোং খমদোংবা লৈ।

(4) লাইরবা ইনাকখুনবা খুদিংমক লৈ।

**126.** মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতিসি কনাগী মশুনুপানো ?

(1) গরিবনিৱাজ। (2) সুরচন্দ্র। (3) চুরাচান্দ। (4) ভাগ্যচন্দ্র।

**127.** করম্বা মতমবু হেন্না মরা চেৎশিল্লকপা লৈবাক্কী অহোংবা লাকপা মতম ওইবগে ?

(1) চন্দ্রকৃতিনা অহানবা হেক নিংথৌ ওইবা মতমদনি।

(2) চন্দ্রকৃতিনা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদনি।

(3) চন্দ্রকৃতিনা পুংকক চাওরকপা মতমদনি।

(4) চন্দ্রকৃতিনা কে.সি.এস.আই. না অনিরক শুবা ওইনা নিংথৌ ওইরকপা মতমদনি।

**128.** খৃঃ 1873 দা সদর ষ্টেসনগী ওইনা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা মীশিংসি কয়ানো ?

(1) চাওরাক্লা 35,000 মুকনি হায়। (2) চাওরাক্লা 35,400 মুকনি হায়।

(3) চাওরাক্লা 30,000 মুকনি হায়। (4) চাওরাক্লা 34,500 মুকনি হায়।

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

**মখাদা পীরিবা ৱারেং অসি মুন্না পারগা হংলিবা ৱাহংশিং অদুগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু। ৱাহং (129-135) ঃ**

দরবার মেম্বর অমা ওইরম্মী শ্যামসুন্দর। শেল চারুই হায়বদগী থবক তোক্লম্মী। অসুম তৌদুনা ইকাইবা ফংলবসু মাবু মীনা ইকাইখুন্নবা মী অমা ওইনা লৌরি হায়না মথন্তা খঞ্জবা ঙম্বা নীপা অমনি।

ৱাসু চাউনা-চাউনা ঙাংলম্মী। মানা ঙাঙবা পুন্নমক চুম্বা নত্তে খঙনা খঙনা অঙম্বা অমনা ঙাঙলিববু হায়দুনা কনামত্তা য়েগ্পীরমদবা মরম্না মশাবু য়াম্না হৈ-শিংবা অমনি হায়না লৌজরম্মী। হৌজিক অঙম্বা অমা ওইবা তোক্লবা ফাওবা অদুম মশাবু অহৈ-অশীং অমনি হায়না খন্বা তোক্লমদে। মচা-মনাওগী নুপী-নহা থিবা মতমদা ৱা য়াম্না য়ামগনবা নীপা হায়বদু শ্যামসুন্দরসু অমা ওইরম্মী। মৈতৈগী বামোন ক্ষেত্রি লৌনবা য়াদবা অমদি য়েক-শলাই তিন্নবা মীগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌ থিংবা অসিগী লুচিংবা ফীরান পায়বা অমসু শ্যামসুন্দরনা ওইজরম্মী।

বামোনমক ওইরবসু কোনুংদা গোবিন্দগী সেবা কাদবা ওইরবদি গোবিন্দ পুজারীগা শাগৈ মান্নবা বামোনগী মখুৎ চাদে অদুগা দুহোন কাবা য়াবা শাগৈদা পোকপা মীনা দুহোন কারুদ্রবদি শ্যামসুন্দরগী ঈশিং শোকপা য়ারমদে। মৈতৈগী গৌড়িয়া হায়বদু য়াম্না কন্না ঙাক্না চৎলম্মী। শীং অফৌবদু চাম্লগা করিগুম্বা মৈ থাবা য়ারবদি মদু ফাওবা তৌহন্নীংবনি। ঈরুজরগা কারকপদা লম্বেল ঈশিং চাই-চাইদুনা কারকপা মীনি।

অদুবু ঈরুজবা মতমদা পুখ্রীদা মচীন তেংথোকপা ঈশিং অদু য়ানুংদগী ওথোক্লুনা কামশন্নদি হৈনবা জাৎনি। নুংদাং তুম্বা ফমুংদা নুংথিল শেংলে খল্লিবা মশাবু অদুম হিপ্পুনাপোখারগা মাংদে হায়না খন্দোকপসু ঙম্লম্মী। শামতুনিদবু হায়রবদি অঙাংগী অমাংবা তৈরবসু অদুম শেংই হায়না লৌবা মীনি।

ঐদি বৈষ্ণবনি কৃষ্ণগী নাম শোনবতনা ইথৌনি হায়রগা করম তৌনা মীনম্বা ঙাংদ্রবদি হৌনা খঙবা ব্যবহার হায়বদু থাদোকপা য়াই হায়বা অমসু অদুক শোন্না নত্ত্রবসু য়াম্না কন্না ওইজবা মীনি। ঐ নত্তনা মী অতৈ পুন্নমক অতোনবনি হায়না খনবা বৈষ্ণব মখল অদুগী মকোকমক ওইবা ঙমদ্রবসু মরক্তা য়াওজরিবা শ্যামসুন্দরনি।

**129.** শ্যামসুন্দর করি ওইরম্বগে ?

(1) কোনুংগী দুহোন ওইরম্মী।
(2) দরবার মেম্বর ওইরম্মী।
(3) ইচম চম্বা মী ওইরম্মী।
(4) করিসু ওইরমদে।

**130.** শ্যামসুন্দর মশানা মশাবু করম্বা মীশক্কি হায়না কৌজবগে ?

(1) য়াম্না শেংবা মীনি হায়না লৌজে।
(2) য়াম্না হৈ শিংবা মী অমনি হায়না লৌজে।
(3) মহাক্না পুন্নমক্কী মকোকক্তা লৈগদবনি হায়না লৌজে।
(4) য়াম্না পঙবা মীনি হায়না লৌজে।

131. ইরুজবা কারকপদা লম্বেল ঈশিং চাই চাইদুনা কারক খিবা মী অদু কনানো ?

(1) বামোনশিং। (2) লাইনিংবীশিং। (3) নবকিশোর। (4) শ্যামসুন্দর।

132. কোনুংদা গোবিন্দগী সেবা কাদবা বামোনগী মখুৎ চাদ্রিবসি কনানো ?

(1) নবকিশোর। (2) নবকুমার। (3) শ্যামসুন্দর। (4) শ্যামা।

133. 'বৈষ্ণব' ৱাহৈ অসিদা সিলেবল কয়া য়াওবগে ?

(1) অমা। (2) অনি। (3) অহুম। (4) মরী।

134. শ্যামসুন্দরনা করিগীদমক থবক তোল্লকখিবগে ?

(1) মেম্বর অতৈগা খৎনরুবদগী। (2) অমাং অশেং য়াম্না খায়রুবদগী।

(3) শেল চারুই হায়বদগী। (4) ইমুং মনুংগা খৎনরকপদগী।

135. দুহোন ৱাহৈ অসিগী চান্নবা ৱাহন্থোক পীয়ু।

(1) বামোন। (2) চাক থোংনবা মী।

(3) কোনুং কাদুনা চাক থোংবা মী। (4) ইচম চম্বা মী।

136. ওরেল দ্রিলিং অমসুং লোনগী মচাকশিং লোন তম্বদা চংদবা য়াদবশিংসি মখাগী মেথোদশিংসিদগী করম্বনা চানবগে ?

(1) ওদিও লিঙ্গ্যলিজম (2) কম্যুনিকেতিভ লেঙ্গ্যইজ টিচিং

(3) গ্রামার ত্রান্সলেসন মেথোদ (4) তোতেল ফিজিকেল রেসপোন্স

137. ইলাম তরেৎশুবা ক্লাসকী মহৈরোইনি, লোন মরি - কন্নাদা, মরাঠী, হিন্দি অমসুং ইংলিশ ঙাংবা ঙমই। মহাক্না মমা-মপাদা ঙাংবদা মনিংতম্না লোন মরি শিজিন্নৈ। স্কুল্দনা হিন্দি, ইংলিশ অমসুং কন্নাদা শিজিন্নৈ মরমদি লোনশিংসি মহাক্কী মরুপশিং অমসুং ওজাশিংনা খংই/মসিগী প্রাকতিস করি কৌবগে ?

(1) ত্রান্স লিঙ্গ্যাল এক্তিভিতি (2) কোদ-মিক্স

(3) কোদ-মুভিং (4) ইন্তরলেঙ্গ্যাজ

Prepp
Your Personal Exams Guide

**138.** লোন তম্বগী মতাংদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুম্বগে ?

(1) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা লোন অনিশুবা তম্বদা অয়েৎপা পি।

(2) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা অনিশুবা লোন তম্বদা।

(3) মশাগী লোননা/ফার্স্ট লোননা অনিশুবা লোন তম্বদা মতেং ওই।

(4) অহান্বা লোন তম্বগা অনিশুবা লোন তম্বগা পুন্ৱা খেন্নে।

**139.** তরুকশুবা ক্লাসকী ওজানা স্পুন, প্লেত, থোং-থান্নবা কোনশিং, বোক্সসিং অমসু খাং ক্লাসরুমদা ৱাহৈ তম্বীনবগী পুরকই/লোন তম্বীবদা মসিগী পোৎলমশিংবু করি কৌবগে ?

(1) তম্বীনবা মচাকশিং

(2) রিয়ালিয়া (Realia)

(3) চাক থোংনবা আইতেমশিং

(4) অশেংবদা তৌবা থবক

**140.** দেক্লারেতিভ নোলেজ সি -

(1) লোনগী ৱাহৈশিং প্রনাওন্স তৌবা খংবনি।

(2) গ্রামাতিকেল আইতেমশিংগী নোলেজনি।

(3) গ্রামাতিকেল আইতেমশিংদা অরান্বা খনদোকপা খংনবনি।

(4) গ্রামাতিকেল আইতেম খংনবনি।

**141.** মহৈরোইশিং মমুৎতানা সবজেক্কী মচাকশিং খংনবগী অতোপ্পা নাকলগী মিৎয়েংদসু পুশিনবগী ফিবমদনি। মসিগী মতম্বীসিনা তৌরিবসি করি হেনগৎনবা তৌবনো ?

(1) ক্রিতিকেল এনালিসিস

(2) প্রোসেস বেজ পেদাগোজি

(3) ক্রিতিকেল লিতরেসি

(4) লিতরেরি দিভলপমেন্ত

**142.** ত্রান্সলেঙ্গ্যজিংসি করিনো?

(1) লোন তম্বা অমসুং তম্বীবদা লোন অমদগী লোন অমদা চোংবদুনি।

(2) লোননা মতম অমগী মনুংদা হোংলকপদুনি।

(3) ক্লাসরুমদা লোন অমদগী হেন্না মচাক ওইনা তম্বীবদা শিজিন্নবদুনি।

(4) মসি লেঙ্গ্যাজ-ইন-পোলিসি হায়বদি স্কুলদা লোন ময়াম তম্বীবদুনি।

Prepp
Your Personal Exams Guide

**143.** মখাগীশিংসিদগী ফজনা ইবা তম্বগা মরি লৈনবসি -

(1) ব্রেনস্তোর্মিং - ওউতলাইন শেম্বা - ড্রাফ্ট শেম্বা - পোইন্ট ইশিনবা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

(2) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট ইশিনবা - ড্রাফ্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

(3) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট ইশিনবা - ড্রাফ্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - অরোইবা শেম্বা

(4) ব্রেনস্তোর্মিং - পোইন্ট শেম্বা - ওউতলাইন শেম্বা - ড্রাফ্ট শেম্বা - ইদিত তৌবা - অরোইবা শেম্বা

**144.** সোসিয়েল সাইন্সকী ক্লাসতা মহৈরোইশিংনা ওজানা তাক্লিবদুগী মরুওইবা ৱাখলশিং লৌনবা হোৎনৈ। মসিগী স্কীলসি করি কৌবগে ?

(1) লাইরিক তৌবগী স্কীলনি।
(2) তাবগী স্কীলনি।
(3) ইবগী স্কীলনি।
(4) কোগনিতিভ স্কীলনি।

**145.** মসিদা ৱাহং অমা লৈরে। পারগা মসিগী ৱাহংসি করম্বা মখলগী ৱাহংনো হায়য়ু অঙাং নুপীমচা অমগী ৱারি পারবা মতুংদা মহাক্না থেংনখিবা অৱা-অনাদুদা নহাক য়াম্না নুংঙাইত্রে। নহাক্না মহাক্কী থৌনাদুবু থাগৎতুনা চিঠী অমা ইগনি। ৱাহৈ 120 গী চিঠী অমা ইয়ু।

(1) এক্সপ্রেসিভ ৱাহং নি।
(2) অশাংবা পাওখুম অমসুং ৱাহং নি।
(3) ইক্সত্রাপোলেতিভ ৱাহং নি।
(4) দিসকরসিভ ৱাহং নি।

**146.** নিপানশুবা ক্লাসকী ওজা অমনা টেক্সতগী ৱাহৈপরেং মঙা অনিরক পাই অদুগা ফজনা তাউ হায়। অদুদগী মহাক্না গ্রূপ অমদা মী মরি-মরি শেমলগা মহাক্না পাথোকখিবসু নকশিন্ননা হায়বদি চপমান্নদনা অমুক শেম্মু হায়। মসিগী এক্তিভিতিসি করি কৌবগে ?

(1) ইবগী থবক
(2) পেরাগ্রাফ দিকতেসন
(3) কলেকতিভ দিকতেসন
(4) তাবগী থবক

**147.** একাদেমিক লোন্দা ফজনা হৈবা নত্তগা তোঙান-তোঙাবা মচাকশিংগী লোন্দা হৈবসিবু -

(1) ইন্তরলিঙ্গ্যাল প্রোফিসিয়েন্সি কৌই।

(2) বেসিক ইন্তরলিঙ্গ্যাল কম্যুনিকেসন স্কীলনি (BICS)।

(3) কম্যুনিকেতিভ লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।

(4) কোগনিতিভ একাদেমিক লেঙ্গ্যাজ প্রোফিসিয়েনসিনি।

www.prepp.in

**148.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা নেসনেল ইদুকেসন পোলিসি 2020 লোন তম্বীবগীদা চুমদবগে ?

(1) থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মখাদা ক্লাসিকেল লোন তম্বনি।

(2) থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মখাদা মমলোন/য়ুমগী লোন তম্বনি।

(3) থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মখাদা ইন্দিয়াগী লোন অহুম তম্বনি।

(4) থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মখাদা ইংলিশ তম্বনি।

**149.** থ্রি লেঙ্গ্যাজ ফোর্মুলাগী মতাংদা করম্বনা চুম্বগে ?

(1) অঙাং লোইনমকনা স্কুলদা ইংলিশ মেদিয়মদা/য়ুমগী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই/অদুদগী হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনিগা হাপচিনলকই।

(2) অঙাং লৌইনমক নখোয়গী স্টেটকী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

(3) অঙাং লোইনমক ওফিসিয়েল লোন হিন্দিদা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

(4) অঙাং লোইনমক মমালোন্দা/য়ুমগী লোন্দা লাইরিক তম্বা হৌই অদুগা হাইস্কুল লোইশিল্লগা লোন অনি হাপচিনলকই।

**150.** তম্বদগী খংলকপনা (learning outcome) মহৈরোইদা খংহন্নবা হোৎন্নরিবসি -

(1) ওনবা য়াবা গ্রামারগী লৌশিং খংবনি।

(2) ওনবা য়াবা কম্পিতেন্স লৈবনি।

(3) স্কীল লোইনমক্কী খরা-খরা খংনবগী চাংদুনি।

(4) ওনবা য়াবা চাংদা লোনগী মচাকশিং খংবনি।

**- o O o -**

